## নুপীমচা অনিদা তেংবাংখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
লাইবক থিবা থৌদোক অমদা অপোকপা-অপোকপী অমসুং মৌপ্রা লৈখিদ্রবা মতুংদা মরাইক থিহৌরিবা পীল্লিবা চহি ১২ অমসুং চহি ৯ দা ওইরিবা নুপীমচা অনিদা লুপ কয়া অমা লম্নাই মীওইশিংনা লেপ্তনা তেংবাংনরক্লি।

এজেন্দা কককচিং কৌবা রাটঅপ গ্রুপ অমনা অঙাং অনি অসিদা ঙসি লুপা লিশিং ২২ গী শেলগী তেংবাং পীখ্রে। কককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপার্সনসু ওইরিবা অমসুং এজেন্দা কককচিং রাটঅপ গ্রুপকী এডমিন অমসু ওইরিবা নাওরেম সঞ্জিৎকুমার, কককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চিয়রপার্সন কে এচ এস ঝলজিৎ, কাউন্সিলরশিং , আটঅপ অসিগী এডমিন অমসুং মেম্বরশিংনা তেংবাংগী শেলফম অদু নুপীমচা অসিদা শীন্নখি।

হৌজিক হৌজিক অরাবা তারবা নুপীমচা অসিগীদমক পরাওখোম্বা ডিভলপমেন্ট এসোসিএসন অঙাং সেকমাই মমাং লৈকাই অমসুং মৈরা পাইবীশিংনা শেল্লবিদুনা থম্লি। অঙাং অনি অসিবু য়োকচংগে হায়বা মীওই কয়া অমসুং লাক্কে হায়বা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি। অঙাং অনি অসিগীদমক্তা মখা তানা করি করম্বা থৌদাংশিং তৌগনি হায়বগী মতাংদা থা অসিগী ২৭ তা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী রাখল্লোন পীনা লৌগনি ফিরেপ লৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মোদেল ক্লব চিংঙামখা, চিংঙামখা অপূনবা নুপী লমজিং লূপ অমসুং সনাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপনসু ঙসি অয়ুক পীক্লিবী মরাইবক থিবগী নুপীমচা অনি অসিদা চেং অমদি শেলগী তেংবাং খুৎশিল্লে হায়রি।

## খোঙজং শৌগৎকনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
ডো: জে সুরেসবাবু লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইনা হাপখিবগু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল ট্রাইবেল ষ্টুডেন্ট য়ুনিয়ন মণিপুর, ডেসাম অমদি এসম্না পুম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং অসি য়াম্না মরু ওইবা, মর চাবা অমদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি হায়বা ডেসাম ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা লৌই অমদি খোঙজং অসি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

লম্বী খরা শেল্লগা স্কিম খরা হৌদেল্লগা মীয়াম্না পংথহন্দুনা থল্লগা য়েলহৌশিনবু মুথৎহনবা থৌওং অসিদি লৈঙাক্কা পায়খৎপীগনু। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েন্দ্রনা ষ্টেট অসিগী থবক তৌবিগনু হায়খি। স্বাইদগী সেনিয়র ওইবা আই এ এস কেদর অমদা চীফ সেক্রেটরিগী ফম অসি শীন্নবিয় অমসুং মশাগী লমদমবু মীয়ামগী থবক থৌদাদা য়াওহনবিয় হায়রি।

অটসুম, ডেসাম অমদি এসম্না পুনশিল্লবা অমদি লূপ কয়াগা লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক ডেসাম ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শরুক য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা সিজ হোস্পিটেল ব্লড বেঙ্ক অমদি রিমস ব্লড বেঙ্কতা মহৈরোই থুন্নাই অমদি লৈবাক মীয়ামগী কথোক্লবা ঈ হায়বা লমদা অয়ুক পুং ১০ তাবদগী পাঙথোকক্লগনি হায়রি।

## ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
ধনমঞ্জুরি কম্ম্যুনিটি কোলেজগা রিসর্চ ইন্ষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং ডি ডি য়ু সেন্টর ফোর কৌসলগী মীৎয়েং মখাদা ডিপার্টমেন্ট ওফ এটমিক ইনর্জি, ভাবা এটোমিক রিসর্চ সেন্টরগী মীৎয়েং মখাদা শিন্দুনা নুমীৎ নিনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার কম ৱার্কশোপ অমা লাক্লিবা মে ৯ অমসুং ১০ দা ডি এম কম্ম্যুনিটি কোলেজ, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নেসনল ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংবনা থা অসিগী ৫ ফাওবদা কোলেজ অসিগী ডিরেক্টরদা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

## খোঙজোম ডেদা চকা বন্দ কৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
মচি, মোরে, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং চকপিকারাং রোম্বী মীহুৎশিং য়াওনা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ডেপ্যুটি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমার আই এ এস য়াওনা ড্যেপুটি কম্মিস্নরগী ওফিস চেম্বরদা থা অসিগী ১৯ দা য়াম্না চেরোল অমা জোইন্ট এক্স কম্মিটি, এম জি নরেগা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকা উন্নুনা চেরোল অমা খুংয়েংক পীনখ্রে। অদুবু লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোকপীরত্তবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২৩ গী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্ট অনিমক্তা চাকা বন্দগী খোঙজোম চঙশিনগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা য়ানখিবা মতুং ইন্না এম জি নরেগাগী অহানবা ফেজ ২০১৬-১৭ দা তৌনখিবা অদুগা খাই লৈননা লৈঙাক্লা হায়দোকখিবা রাফমশিংদু থবক্তা ওম্লোপীদ্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না চেকশিন রা ফোঙদোরক্লি।

# ওটোরিক্সো ড্রাইভর ফুরকপশিং চৈরাক পীনবা তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
ওল অন্দ্রো কেন্দ্র ড্রাইভর এসোসিএসন্না শিন্দুনা ওটোরিক্সো ড্রাইভর ফুরকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা ফাওবা শিন্থা লেপ্লগা য়াইরিপোক কৈথেল থোংখোঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল অন্দ্রো কেন্দ্র ড্রাইভর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম ডি ফরিৎ সহানা পাউমীশিংদা হায়খি, গাড়ি ড্রাইভরশিং অসিনা গাড়ি থৌদুনা মীয়ামগীদমক্তা অহিং-নুংথিল নাইদনা থৌগল তৌজরিবনি। মীয়ামগীদমক্তা থৌগল তৌজরিবা ড্রাইভরশিংবু অমম-অথেংগী খুদোংচাবা লৌরগা ফুবি-চৈবিবা অমদি অকি-তুজুংহনবা অসি লাইবক থিবনি।

অন্দ্রো এ সিগী গাড়ি ড্রাইভরশিংনা মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক খল্লগা ফুবী- চৈবীবা অমদি অৱা-অনা তাহনবা অসি য়াম্না তোইনা থোক্লি। থা অসিগী ১৫ গী নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপদা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা য়াইরিপোক নিংথৌনাইদগী ওটোরিক্সো ড্রাইভর এম ডি নজিমুদ্দিনবু মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা তমথিনা পুবিরকখিবা অদু ওল অন্দ্রো কেন্দ্র ড্রাইভর এসোসিএসননা হকচিননা লৌদবা ঙমদে। মীওই অসি অরুবা ফিভমদা হৌজিক হৌজিক পব্লিক হোস্পিটালদা লাইকন্নরিবনি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাবিদুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবিয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী পুক্নিং চীংশিল্লকখি।গাড়ি থৌবদা অকি-অখঙ লৈতনা থৌবা ফংহনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ড্রাইভর ফুরকপা য়ানিংদে, ঈংনা-তপ্পা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংহনবীয়ু, ওটোরিক্সো ড্রাইভরশিংদা অকি-অখঙ পীবিগনু হায়বনচিংবা ৱারোলশিংনচিংবা থাবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।

## থৌবাল ইমাগী মপোক থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ( থৌবাল ইমা) গী ২০ শুবা মপোক থৌরম অমা ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী লমজাও মখা লৈকাইগী কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী অহৌবদা লূপ অসিগী হান্না প্রসিডেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা কাঙজম থাসনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা অমদি ইমা সনাহনবী সিখোং কৈথেলদা লৈবগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইনা সাপম বিমোলা প্রসিডেন্ট থৌবাল ইমা, থোকচোম রমণি প্রসিডেন্ট নুপী সমাজ, ফঞ্জৌবম শখি প্রসিডেন্ট অমকিল, সোইবম মোমোন প্রসিডেন্ট তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপ, নোংথোম্বম বিরেন কনভেনের পি পি সি এম, হিজম প্রিয়ো প্রসিডেন্ট কাদা অমসুং ময়েংবম প্রেমজিৎ প্রসিডেন্ট উপাকোননা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পার্সন ওইনা লৈমকোলগী প্রসিডেন্ট এম সি রাতানা হায়খি, মৈরা পাইবী থোরকপগী পুৱারী অমদি মৈরা পাইবীনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা তিনখিবা নুপীশিংদা ৱাখল তাহনখি।

## রাহুল গান্ধীনা হায়জফম থোক্তে : টি এন হাওকিপ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা রাহুল গান্ধীনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থীবনি, রাহুল গান্ধীনা লাল্লে হায়জফম থোক্তে হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা টি এন হাওকিপননা হায়খি, জষ্টিশ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা ইনক্বারি তৌনবা ওপোজিসননা দিমান্দ তৌরিবনি। অমিট শাহ কন্নবগীদমক রাহুল গান্ধীনা এপোলোজি তৌবা ঙম্লোই। নেসনল ইস্যুদা পুখৎতুনা ৱা ঙাংলি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা জুদিস্যারি অমদি ইলেক্সন কম্মিসনগী ওটোনোমি লৈরক্তে।

ঙরাং চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা রাহুল গান্ধীনা এপোলোজি তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অদু লাইবক থীবনি। কোংগ্রেস পার্টি অসি ঈশিংদা তারবা পার্টিগুম্বনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মতমদা চথুরক্লিবা থৌওং কয়া অসিনা অৱাবা ফীভম কয়া লাক্লে। য়ু পি এগী মতমদা অসিগুম্বা সিষ্টেম অসি লৈখিদে। লৈঙাক অসিনা মীপূম তিংনা জেরো বেলেন্সতা একাউন্ট হাংনবা থবক পায়খৎখ্রে। একাউন্টতা শেল থাজিল্লক্কনি হায়বদুসু থাজিল্লক্তে। বেঙ্ককী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্নদি একাউন্ট হাংবা তারবদি বেলেন্স অমা মেন্টেন তৌদুনা থমগদবনি হায়বা য়াওরিবনি। জেরো বেলেন্সতা একাউন্ট হাংহল্লগা শেলসু হাপ্তুনা থল্লিবা অসিসু চৎন-কাঙলোনদা য়ারিব্রা হায়বা ফীভম লাক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মওং-মতৌ লৌরগা ষ্টেট অসিদসু চীফ মিনিষ্টরনা পেক্কেজ কয়া লাউথোক্লি। পেক্কেজ হায়বসিদি বজেটকী মনুংদা চন্দবা অখন্নবা থৌরাংগা লোয়ননা পায়খৎকদবা থবক্কী কায়থোকপা শেনফম অদুবুনি। বজেটকী মনুংদা য়াওজবা থবক অদুদি পেক্কেজ নত্তে। ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি থা ১৫ মপূং ফারক্কদৌরে। থা ১৫ মপূং ফাখ্রবা মতুংদগীদি কোংগ্রেসনা তুমিন্না লৈবা ঙম্লোই। ষ্টেট অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাক্লম্বা মতমদা কোংগ্রেস পার্টিনা চহী ১৫ দা তৌবা ঙল্লমদবা থবকশিং থা ১৫ দা তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি। কোংগ্রেসনা তৌরম্বা থবক কয়া হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মখা শমথহৌবনি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯গী ইলেক্সনগীদমক শেম শারসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী এক্স এম এল এশিং অমদি এক্স মেম্বরশিংনা মরিরক এম এল এ ওইরম্লবা সোসো লোর্হোনা লৈখিদবদা ঙরাং নুংথিল মণিপুর এক্স এম এল এ ৱেলফিয়র এসোসি-এসনগী ওফিসতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়দুনা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন বিরেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লাইরিক ফোঙগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
রাইটর্স ক্লব মণিপুর নম্বোলনা শিন্দুনা 'ঐ ভোট লেপ্তুবা য়াদে' হায়না মীংথোনবা ওইনাম বিরচান্দনা ইবা অমদি ' হো লাই নঙবু তাইবঙনা ৱারৌৱি' হায়না মীংথোনবা ডো: ওইনাম চাওবনা ইবা লাইরিক অনি থা অসিগী ২২ গী নুথিল পুং ১ তাবদা রোয়ল একাদেমী ওফ লো ওইনামগী হোলদা ফোঙগনি হায়রিনা রাইটর্স ক্লব মণিপুর নম্বোলগী সেক্রেটরি এন সুনিতানা প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ঈশৈ চাংদম্নগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
খোঙজোম ডেগা মরী লৈননা লৈবাক নিংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৩ দা মণিপুর ড্রামটিক য়ুনিয়নগী হোলদা আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এডুকেস্নল রিসর্ছ সেন্টর অমসুং সোসাইটি ফোর ডিসএবল কিয়র হিয়াংথাংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম অসিদা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্টার এন জি বোগেন্দ্র, আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এডুকেস্নেল রিসর্ছ সেন্টরগী লাইতোনজম প্রোমকুমার, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী লিডর তাওরাংবম ইন্দ্রজিৎ অমসুং কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরু কলমগী য়াইতোংবী থিয়াম ওংবী শিল্লেমনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। ঈশৈ চাংদম্নবা অসিদা হৈস্নাম আশারানি, কাঙবম ওকেন্দ্রো মঙাং, কে সি গিতা, ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ, পাওনম প্রেমিবালা, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, থিয়াম ওংবী সিল্লেমা অমসুং খুম্বোংময়ুম বিমোলানা ইবা ঈশৈ ময়েকশিং শরুক য়াগদৌরিবা পার্টিসিপেন্টশিংনা শক্কনি। মকোক-মথং তারবশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, ৭ অমসুং ৫ লোয়ননা শকখঙচে পীগনি। লোয়ননা ৪ শুবদগী ১০ শুবা ফাওবা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৫/৫ অমসুং শকখঙচে পীগনি হায়রি।

## অহানবা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ কমেমোরেসন মন্থ ২০১৮ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
কংলৈপাক ষ্টুডেন্ট এসোসিএসন ( কে এস এ ) না জষ্টিস কম্মিটি ফোর এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ মার্টরস এন্দ ভিক্টিম ওফ কংলৈপাককা খুৎশম্ন দুনা অহানবা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ কোমেমোরেসন মন্থ ২০১৮ ঙসি ইম্ফাল কোলেজকী মল্টিপরপোস হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল কোলেজকী প্রিন্সিপাল ডো: এম প্রিয়োবর্তনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ডিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগ এসোসিয়েট প্রোফেসর ডো: এন সনাতোম্বনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং জষ্টিজ কম্মিটি ১৮৯১ চিয়রমেন ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জষ্টিস কম্মিটিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মতম শাংনা কংলৈপাক্কী মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লা নাথৈদুনা থন্বীরুরবা অমদি তোঙান তোঙানবা পুৱারিনা লান্না লমজিংদুনা নমশিন্দুনা লৈরুরবা লৈবাক অসিগী নিংতম্বগী খ্বাইদগী চাওবা লাঞ্জাও ওইখিবা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ দা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অথৌবা ময়াম অদুবু মশক খঙনবা হোৎনবনি। অমদি মীয়ামদা মখোয়না লৌরম্বা থৌদাং, কথোকখিবা ময়াম অদুবু ঙসিগী মীরোলদা নৌহৌননা নিংশিংহনবা অমদি লৈঙাক অসিনা রিকোগনাইজেসন পীরককনবা অথৌবশিং অসিগী মফম অমা পীগদবনি অমসুং এঙ্গলো মণিপুর ৱারগী অশেংবা পুৱারিগা শাগোন্নবা থৌদোকশিংগী রেকোর্দ থম্নবা হোৎনগদবনি।

মহাক্না হায়, লমদম অসিদা এঙ্গলো মণিপুর ৱারগী শরুক অমা ওইখিবা খোঙজোম বেট্টল অসিবু লান্না খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল ওবজর্বেসন হায়জিল্লগা এঙ্গলো মণিপুরী ৱারবু মহুৎ শিনবা অসি পুৱারীবু নমশিন্নবা হোৎনবনি। অদুনা লৈবাক্কী অশেংবা স্পিরিট অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ গী অশেংবা মশকসিদা তোঙান তোঙানবা লানফমশিং অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিরগা মেমোরিয়ল সাইট অমমম শেম্বীরগা অথৌবশিংনা লানফমদা লৌখিবা থৌদাং নিংশিংগদবনি। ঐখোয়না মশক খঙনবা অমসুং খঙহৌদবা লান্মী ময়াম অদুনা লৌখিবা থৌদাং কৎথোক্লম্বা ময়াম অদুগী অশেংবা রিপোষ্ট থন্বীগদবনি হায়বা ডিমান্দ অসিদা ঐখোয়না মাং থানা চঙশিল্লগা পাঙথোকপা থৌরম্নী হায়খি।

হায়রিবা অসি লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লগা অশেংবা নিংতম লানগী রিপোষ্ট অমা লৈবাক মীয়ামদা থম্নবা চঙশিল্লকপা খোঙথাংনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## মেন্টেল হেল্থ এড্যুকেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাঙ্গদা লৈবা আইদেল স্কুলদা নোংমগী ওইবা মেন্টেল হেল্থ এড্যুকেসনগী টার্গেটেট ইন্টভেন্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ডিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি সার্ভিসেস মণিপুরনা নেসনল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রামগী মখাদা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি মণিপুরনা নহা ওইরিবা মীওইশিং, মহৈরোই অমসুং ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা মেন্টেল হেল্থতা শোকহল্লিবা অদু মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি মণিপুরনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা থাঙ্গ আহডিএল স্কুলগী প্রিন্সিপাল এন মঙ্গি, ডো: কে ঐচ রোবিন্দ্রো সাইক্যাত্রিক্স ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চান্দেল অমসুং নোডেল ওফিসর ডি এম ঐচ পি চান্দেল অমসুং ডোক্টর এ রানিতা ষ্টেট নোডেল ওফিসর, এন এম ঐচ পি ডিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি সার্ভিসেসনচিংবনা দেজকী মেম্বর ওইখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখিবা ডো: এ রনিতানা, পীক্লিবা অমদি স্কুল তল্লিবা অঙাংশিংগী মরক্তা মায়োক্নরিবা পূক্নিং-ৱাখলগী লায়নাগী মরমদা শুগাইনা হায়খি।

অঙাংশিংগী মরক্তা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনাবা কয়া থোরক্লিবসি জেনেটিক ফেক্টর অমসুং এনভাই-রোনমেন্টকী ফেক্টর অমদি মরু ওইনা ইমুং-মনুং অমদি স্কুলদা থেংনরিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া অদুনা মরু ওইনা ওইহল্লকখিবনি।

থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট কিশ্বরচান্দ কোন্সমচানসু, অঙাংশিংদা পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা ফিভমদা মীমান্নদবা লৈরিবসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মহৈ-তম্ফম শঙশিংদা অঙাংশিংবু লাইরিক-লাইশু তম্বদা অতৈগা মীমান্নদে হায়দুনা চৈরাক পীবগী মহুত্তা ওজাশিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাং অদুগী পূক্নিং ৱাখলগী ফিভম অদু খঙদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ডো: কে ঐচ রোবিন্দ্রোনা, স্কুলগী মহৈরোইশিং নত্রগা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংনা খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা পীরিবা চৈথেংগী মরমদা হায়খি। এম সুসিলকুমার সাইক্যাত্রিক সোসল ৱার্কর ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালনা রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম্না ৱাখলগী লায়না নারবা মীওইশিংগীদমক্তা করম্না রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদগে হায়বগী মরমদা শুগায়না ৱা ঙাংখি।

## নুমীৎ হুম্নীগী রিফ্রেশর ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ :
মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ইনষ্টিট্যুট ওফ ড্রাইভর ট্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্টরনা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন, ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা শিনবা হজার্দস গুদস কেরিং পোল টি টি ক্রু হায়বা হিরমসিদা নুমীৎ হুম্নীগী রিফ্রেশর ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙরাং ইম্ফালগী মালোমদা লৈবা মালোম দিপোদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কে ঐচ শর্ম্মা, এস পি ট্রাফিক কন্ট্রোল ৱিং, ইম্ফাল সিটিনা চীফ গেষ্ট, দি মেফুন মরিং, চীফ দিপো মেনেজর, আই ও সী ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট অমসুং এল নবচন্দ্র, দিভিজনল ওফিসর, মণিপুর ফায়র সার্ভিসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবী কে ঐচ সারমানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্কী মতমদা ড্রাইভরগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অসি য়াম্না মরুওই। মখোয়না থৱায় কয়া পুদুনা অমসুং পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুদুনা গাড়ী থৌরিবনি। মখোয়না চেকশিনহৌদবা য়াওবদা মীওইবগী পুন্সি শিবা চঙবা তম্বা ঙম্লোইদৌরিবনি। অদুনা ড্রাইভরগী শিনফমদা লৈরিবশিংবু থাগৎনিংঙাইনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ড্রাইভরশিংনা পোৎলুম পুদুনা লমশাং চৎলমদাই মতমদা ইশানা শীজিন্নরিবা গাড়ী অদু নীংথিনা চেক তৌগদবনি অমসুং ইশাগী হকচাংগী ফিভম ফৎত্রবদি থৌরোইদবনি। মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরিবনিনা অশোয় অঙাম য়াওদনবা তেক্ত-কায়দনা থৌনবা হোৎনসি হায়খি।

## পাখঙবা চেং হোংবগী থৌরম হন্নচীংদা পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
কালেনগী থানিল থা অসিগী ৩০ গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা হৈঙাং এ সিগী মনুং চন্না লৈবা হন্না চীংদা পাখঙবা চেং হোংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না অপূন লূপকী এডভাইজর কাঙজম বিধু খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা বিধুনা মখা তানা হায়খি, হন্নচীংদা ইবুধৌ পাখঙবগী খুভম লৈ। হন্নচীং অসিদা ইবুধৌ পাখঙবনা কংলা ওইদুনা পানখি হায়রিবা মফম অসিদা ইবুধৌ পাখঙবগী অহানবা খুভম ওইদুনা হায়রিবা মফম অসিদা পাখঙবা চেং হৌবগী থৌরম অসি তৌফম থোকই হায়দুনা মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

করিগী পাঙথোক্লিবনো হায়বদা, লৈবাক নিংথৌ পুন্সিনবা অমদি মীয়াম অসিসু নুংঙাই য়াইফনবা, চাহোং-ঙাহোংনবা, অনা-অয়েক, তুরৈ-ঈরৈ চেন্দনা নুংঙাই-য়াইবী মরাং কাইনা পান্নবগীদমক পাখঙবা চেং হোংবগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি।

হন্নচীংগী লাইসাগী লাইফমলেন অসিদা অমাইব, অমাইবী, পেনা য়াওনা অহোংলোন শক্তুনা মাইবী লাইমাং ফমদুনা অহোংলোং শক্তুনা অহানবদা পেনা য়াকাইগনি অমদি মাইবনা লাইশোন তৌগনি, মাইবীনা লাইবাও চেনগনি। পাখঙবা চেং হোংবগী থৌরম অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

## রিমসকী ডিরেক্টরসু শরুক য়ারি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
আর আই এ এসকী ডিরেক্টর প্রো: এ সান্তবু জৱাহরলাল ইন্সটিট্যুট ওফ পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেডিকেল এডুকেসন এন্দ রিসর্ছ পোন্দিচেরিগী হায় লেভেল ঐচ আর কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদগী অহানবা ওইনা খল্লক্লে।

নিংশিংবা য়াবদি মহাক জৱাহরলাল ইন্সটিট্যুট ওফ পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেডিকেল এডুকেসন এন্দ রিসর্ছ পোন্দিচেরিগী গভর্ণনিং বোডি অমসুং ষ্টেন্দিং সেলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবনি। হায়রিবা ঐচ আর কম্মিটি অসিগী পোন্দুচেরিদা লৈবা বোর্দ রুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা অদুদা মহাক য়াওনা অতোপ্পা মেম্বর ৪ না শরুক য়াখি হায়রি।

## মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**
ললাম্বুং মখোং অপূনবা নুপী লূপনা শিন্দুনা লূপ অসিগী ৫ শুবা ফাইন্দসন ডে ওবজর্বেসন কম ফেলিটেসন ওফ আউটষ্টেন্দিং পার্সনেলিটিষ্টকী থৌরম লূপ অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কোর্পোরেটর হিজম নুতনচন্দ্রনা প্রসিডেন্ট, লূপ অসিগী প্রসিডেন্ট মাইবম সোরোজিনিনা প্রসিডেন্ট অমসুং রিটয়র জোইন্ট ডিরেক্টর হেল্থ সার্ভিসেস মিনিষ্টর ডো: তখেলম্বম সরতচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টগী ৱারোলদা হিজম নুতনচন্দ্রনা হায়খি, মতম মতমগী লাক্লিবা ইশুদা ঐখোয়সু চঙশিনবা তাবনি। হৌজিক মরু ওইনা নুপীদা মীওৎ মীনৈ চথুরিবা অসি কন্নবা থিংবা তাই। লৈরিবা ক্লব মৈরা পাইবীশিংনা থিংবা তাবনি । মমাংঙৈগুম্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা অসি খরমখৈদি হন্থরে অমসুং অসিগুম্বা অসি কোকহনসী হায়না খল্লবদি মতমগী মতমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা মথৌ তাই।

লো খঙনবা অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটশিং খঙদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি কোকহননবা লিগেল এৱ্যেরনেসশিংসু পাঙথোকহন্নিংই।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা থোইদোক হেন্দোকপা মীওইশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎপীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি হায়রি।

# লৈঙাক্না ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলু: লূপশিং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এন ঐচ এস) :**শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা মমাংগী লৈঙাক্না চহি ৬/৭ কী মমাংদা উরেপ-উয়ুং তমদুনা ফেন্সিং তৌদুনা লৈরবা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালবু কৈরাও এ সিগী ক্যামগৈদা পুনবা ইনৌ নৌনা উরেপ-উয়ুং তমখিবসি লৈঙাক্কী অচুম্বা থৌশিল ওইরোই হায়না লূপ কয়ানা ফোঙদোক্নরক্লি।

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী এস মোমোননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৮ দা লূপ অসিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসিগী ফিভম য়েংশিল্লুবদা লৈঙাক্না ইনৌ নৌনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিগী মতুংদা ওইরক্লিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমদি খোঙজংগী মওং অসি থম্মোই শোক্লিংঙাই ওইরে। হীরম খুদিংমক্তা শোথুবদনা থল্লবা মায়কৈ অশোইগী মীয়াম্না মপুং ফানা মতেং পীবা য়াবা হোস্পিটাল অমা থম্বগী তঙাইফদবদা চীংমী-তম্মী মীয়ামগী ওইরি।

কুমজা ২০১১ দা শগোলমাংদা হোস্পিটাল শানবা উরেপ-উয়ুং তমখিবা হায়বসি মতম অদুগী লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা মথৌ তাবা খুদিংমক মপূং ফানা য়েংশিল্লবা মতুংদা থবক হৌখিবা ওইগনি হায়বসি মীয়াম্না খনফম থোকপা ৱাফমনি।

লম মপুনা নত্তুগা মফম অদুগী মীওই অমত্তনা অয়েৎ-অপন পীদবা অসিনা লমগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈতে হায়বগী খুদম চাংদম ওইফম থোকই হায়রি।

খুন্দ্রাকপম মায়কৈদা হোস্পিটাল হোংখিনবগী ৱাফম অমা লাকপদগী অকনবা খোঙজং অমা লাকপা য়াবগী মমি উরক্লিবা অসি হকচিন্না লৌফম থোকই। করিগুম্বা মীয়ামগী অচুম্বা খোল্লাউ অসি নাথৈদুনা পুখিবদগী ওইরক্কদবা ফিভমশিংদু নুংনাংবা পোকপনা ৱাথোক অসি লৈঙাক্না অথুবদা লোইশিনবীদুনা হোস্পিটাল অসিগী হান্না উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা মফমদা শাবা হৌবিবনা লৈঙাক্কী অচুম্বা থৌশিল ওইগনি অমদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মায়কৈদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী ৱাখৈরোল ওইগনি হায়রি।

কোওর্দিনেটিং বোডি খুরাইগী ভাইস চিয়রমেনশিং এন জি জাদুমণি অমসুং বোন খুরাইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংদগী হোংদোক্লগা মফম অমদা উরেপ-উয়ুং তমখিবা লৈঙাক্কী চুন্নদবা ৱারেপকী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংদা লৈঙাক্না সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং শীজিন্নদুনা মীওই কয়া অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোকশিং অসি খুরাই মায়কৈগী ওইবা অপূনবা লূপ কোওর্দিনেটিং বোডি খুরাইনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

শগোমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা মতম অদুদা উরেপ-উয়ুং তমখিবা মতমদা কনা অমত্তনা অয়েৎপা-অপনবা অমদি য়ানিংদবা লৈখিদবনা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শাবগী খ্বাইদগী মফম চাবনি হায়বদু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপ খুরাই এরিয়াগী সেক্রেটরি এন প্রেমিলানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, শগোলমাংদগী ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়বা খোঙজংদা অশোক-অপন য়াওরবা ফাওবা চীফ মিনিষ্টরনা তুমীন্না লৈশিনখিবসি অঙকপা পোকই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না শগোলমাংদা হোস্পিটাল শাবীদুনা মীয়ামগী অপান্বা খরদং ওইরবসু থুংহন্দুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগদ্রা হায়রগা মদুগী ওন্ন তৈনবদা অমুক লমদম অসিগী মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা অমুক অতোপ্পা মফম অমদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা উরেপ-উয়ুং তম্বা হায়বসি খুরাই এরিয়া নুপী মরুপনা অঙকপা পোকই অমদি লৈঙাক্কী থৌওং অসিবু য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি। লমদম অশোমগী মীয়াম্না হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়দুনা শিবা-নাবা খন্দনা শুবা- নোম্বা পুম্নমক থাদোক্তুনা অহিং কয়া লায়েক্তুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি অমদি খোঙজং মনুংদা অশোক-অপন নংখিবশিং অদু হোস্পিটালদা লাইকন্নরি।

শগোলমাংদগী ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই, লৈঙাক্কী ৱাফম রিভিয়ু তৌ হায়না তকশিল্লক্লি।

এল চজাং য়ুথ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিডেন্টনা পূন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা শগোলমাংদা শাগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীরম্লগা খঙহৌদনা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়জিল্লগা অতোপ্পা মফম অমা অমুক শারগনি হায়না থৌরাং তৌরিবসি গভর্ণমেন্টকী অচান-মীরাই নাইবা থৌওংনি। থৌওং অসি লমদম অশোমদা খুন্দারিবা শোথরিবা চীংমী-তম্মীগী রাইট মৎপনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়রি।

অনা-লায়েংগী লমদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নরিবসি য়েংবীদুনা লৈঙাক্কী ফিরেপ হন্দোকপীদুনা হান্না উরেপ-উয়ুং তমখিবা মফম অসিদা অদুমক শাবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনজরি হায়রি।

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র বিল্ডরস এন্দ অর্দর কন্সষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফিয়র য়ুনিয়নগী প্রসিডেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এ সিগী মনুং চন্না লৈরিবা শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শারগনি হায়না কুমজা ২০১১ দা মতমদুগী লৈঙাক্না উরেপ-উয়ুং তমদুনা ফেন্সিং ফাওবা খাবা লোইখ্রবা মফম অসিদগী নৌনা অমুক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কৈরাও এ সিগী ময়াই লৈকাইদা শাগনি হায়না উরেপ-উয়ুং তমখিবা অসি য়ানিংদে হায়রি।

খুন্দাকপম ময়াই লৈকাই চাওখৎ নুপী লূপ শগোলমাংগী লূপনসু শগোলমাংদগী ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংখিবগী মতাংদা মায়কৈ অশোমগী মীয়াম্না মায়কৈ অনিদা অচুম-অরান থিদোক্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা নংহৌররোই মতাগুম মীয়াম্বু উৎতুনা ফু- চৈবগী থৌওং ফাওবা চত্থিবসি খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকাই চাওখৎ নুপী লূপনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

খেৱা কম্পেনি ডিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং চীংখু নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা পায়বী এসোসিএসন্নসু লৈঙাক্কী ফিরেপ হন্দোক্তুনা শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীনবা ফোঙদোরক্লি।